# গোলাখাট সাই এস টি সি অসিদগী টেবল টেনিসতা ইন্টর্নেসনল থাক য়ৌনা শান্নবা ঙম্বা প্লেয়র অমা পুথোকপা ঙম্বসি তশেংনা নুংঙাই



**লাইশ্রম ব্রোজেন্দ্রো**
*টি টি কোচ, সাই, এস টি সি অসাম*

*(ঙরাংগী মখা)*

অসুম্না সাই এন ই আর সি ইম্ফালদা ২০০৮ ফাওবা লৈরম্লবা মতুংদা ২০০৮গী মে থাদগীদি ঐহাক কোচ ওইনা সাই টি টি একাদমি (জোরহাট, অসাম)দা লৈজরকখি। জোরহাটতা লৈজ রিঙৈদা নেসনল থাক্তা শান্নবা ঙম্বা টেবল টেনিস প্লেয়র ময়াম অমা পুথোক্লমখি। জোরহাটকী অকোইবদা মশান্না অসিবু পামজবা শান্নরোয় কয়াসু লৈরমখি। মদুগী মতুংদগী অমুক ২০১৩গী জুন ১দা সাই এস টি সি গোলাঘাট অসামদা অমুক লাকচখি। অসামগী গোলাঘাটতা লাকপা মতমদদি চীফ কোচ ওইনা টেবল টেনিসকী মপুং ওইবা থৌদাং কয়াসু লৌজরকখি। লোয়ননা ২০১৮গী ফেব্রুৱারি ২৮দগীদি ইন-চার্জসু পুজরকখি।

গোলাঘাটতা ঐহাক্না অহানবা লাকচবা মতমদা সাইগী ওইনা লৈরম্বসি সুপ্নগী টিটি প্লেয়রমঙাক্তনি। অকোইবদগী লাকপা অঙাং খরগা মখোয় খরখক্তমক শান্নরম্মী। অদুবু মমৈদা তপ্পা তপ্পা অঙাং মশিং হেঙ্গৎলক্তুনা হৌজিকসি সাইগী ওইনা অঙাং ১৪ লৈরে। মখোয় পুম্নমক পোজিসনসু লোয়না ফজে। অতোপ্পা মশান্না অসিবু পামজবা অঙাং থারগা প্লেয়র ৬০ মুক হৌজিক চাং নাইনা ট্রেনিং তৌজরি। সাই সেন্টর অসিদা, পুন্না টি টি বোর্দ তরুক থাই। মসিদা গ্রুপ এ, বি, সি হায়না খায়দোক্লগা কোচিং নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা পীজরি। সাইগী অঙাং মরক্তগী প্লেয়র নিপানদি নেসনলদা পার্ফোমেন্স ফজবসু ঙম্লে। অদুগা ইন্টর্নেসনল শান্নবা নুপীমচা অমসু লৈরে। মমিংনা ত্রিশা গোগোই কৌই। তুংগী ওইনসু টি টি সিদা মফম অমা শোইদনা ফংগনি পানরিবা অঙাং অদু ত্রিশাসি ওইরি।



লাক্লিবা অঙাংশিং অসিগী মমা-মপাশিং অসিসু অদুক্কী মতিক থৱায় য়াওই। মচাশিংনা শান্নবসি মখোয় য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লি। ট্রেনিং লোইরকপসিদা মচা-মচাশিংগী অশোয়বশিংদু করিনো হংলগনি। হেন্না ইমপ্রুফ লাক্লবা মমা-মপা ওইবা ঐখোয়দা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু শান্নবদুদা অশোয়বা উরবদি খুদক্তা মচাশিংদুদা হায়গনি। প্লেয়রশিংনসু থৱায় য়াওবনিনা ঐখোয়নসু য়াম্না চেকশিন্না তাক্লবা হোৎনজে। কোচকী ট্রেনিং চৎচরুবা মীওই অমা ওইনা অঙাংশিংদা তাকচবসি ঐগী ওইনা খ্বাইদগী পেঙ্ঙবনি। মণিপুরদবু ওইরো, অসামদবু ওইরো, টেবল টেনিস শান্নগে হায়দুনা চোঙথোরক্লিবা অঙাং পুম্নমক ঐগী অঙম্বা লেভেলদা ফজনা অদুম তাকচগে হায়নসু খঞ্জে।

অমরোমদা, গোলাঘাটকী সাই এস টি সিদগী পুথোক্লিবা ত্রিশা গোগোইগী মতাংদা খিক্তং থমজনিংবসি কুমজা ২০১৭কী ওক্টোবর ২৮দগী নবেম্বর ১ ফাওবা নোইদাদা তৌখিবা আই টি টি এফ ৱর্ল্ড জুনিয়র সর্ক্যুট ইন্দিয়া জুনিয়র এন্দ কেদেট ওপন (প্রিমিয়ম) অন্দর-১৬ গর্লস টিম ইভেন্টতা ত্রিশা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি। লোয়ননা হায়রিবা চহীদুদা চ্যেক জুনিয়র এন্দ কেদেট ওপন আই টি টি এফ (প্রিমিয়ম) জুনিয়র সর্ক্যুট চ্যেক রিপব্লিকতা পাঙথোকখিবা অদুদসু অন্দর-১৫গী গর্লস টিম ইভেন্টতা সিলভর মেদল লৌরকখি। মখা তারকপা, ২০১৮দা তৌখিবা ৱর্ল্ড স্কুল চেম্পিয়নশিপ (ভালেট্টা, মালটা) তসু অন্দর-১৮গী টিম ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ লৌরকখি। লোয়ননা ২০১৮গী এপ্রিল ২০দগীনা ২২ ফাওবা মালদিপতা পাঙথোকখিবা 'সাউথ এসিয়ন গেমস চেম্পিয়নশিপ'তসু (অন্দর-১৭) গর্লস টিম অমদি ইন্দিভিজ্যুয়ল ইভেন্টতা সনাগী মেদলশিং ফংলকখি। মসিগী মতুং চহীদুমক্কী মে ৮দগী ১৩ ফাওবা থাইলেন্দদা চথখিবা গোল্ডন সেরিজ আই টি টি এফ জুনিয়র এন্দ কেদেট ওপন চেম্পিয়নশিপ অন্দর-১৫দা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি।

তশেংনা, টেবল টেনিস হায়বা মশান্না অসিদগী ইন্টর্নেসনল থাক্তা শান্নবা ঙম্বা চহী নৌরিবা অঙাং থোরকপসিমদি য়াম্না নুংঙাই। ত্রিশাগী মতৌ তমদুনা প্লেয়র মথং মথং লেপ্তুনা থোরক্লগদি হেন্নসু পুক্নিং পেনগনি। থেঙলবসু থেঙনা গোলাঘাট সাই এস টি সিদগী মশক নাইনা অঙাং খরা ময়েক শেংনা উজবসিনা টি টিগী কোচ অমা ওইজরকপগী করিগুম্বা মমি খরদি শোয়দনা লৈহৌরগনি খল্লি। মথং চহীদা ঐসু সার্ভিসকী মতম লোইদুনা থবক্তগী পোত্থারগনি। অরোইবদা, শাংলবা পুন্সিগী ৱারী খরা থম্মোয় শেংনা ফোঙদোকচবা ফঙজবগীদমক হুইয়েন লানপাউবু হন্না হন্না থাগৎচরি।

*- লোইরবা-*

> **রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
> **টেবল টেনিসতা মীৎয়েং অমা**

অদুগা, গোলাঘাটসিদা কোচ অমা ওইনা ট্রেনিং পিজবসিদা য়াম্না নুংঙাইজবসিনা সাই সেন্টরসিদা তাকপীরকউ হায়দুনা ৱারী শারগনি। শান্নবা হেক লোইরকপগা পীজনবা অচা-অথকশিং পুদুনা লাক্কনি।



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৮

১) "ঐনা রোজর ফেদররবু মমীং লৈবা কোর্ট অসিদা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীরে' মসিনা ঐগী পুন্সিদা নীংশিংবা য়াবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইগনি। নাপী মথক্তা শান্নবা টেনিসতা খ্বাইদগী ফবা শান্নরোয়দি মহাকনি। মহাক ঐনা শান্নরিবা মশান্না অসিদা খ্বাইদগীসু হেন্না চম্পিয়ন ওইরিবনি। ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে?

২) মহাক্না হায় 'হৌজিক ঐহাক য়াম্না নুংঙাইনা পোত্থাবা ঙম্লনি'। হৌখিবা চহী ১২দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিকশিংদা মহাক্না শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংবা ঙমখিদে, লুপাগী মেদলশিংদি ফংখি। মহাক্না সনাগী মেদল ফংখিবদা ৱাহৈশিং অসি হায়খিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।



৩) অহানবা অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট হোক্কি চেম্পিয়নশিপ কুমজা ১৯৫৭তা পাঙথোকখিবদা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। করম্বা মফমদা চেম্পিয়নশিপ অদু পাঙথোকখিবগে?

৪) ৱিন্টর গেমস অমদা সনাগী মেদল অহুম ফংবা ঙমখিবী অহানবা নুপী অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী ফুটবোল ষ্টেকহোল্ডরশিংনা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী অচৌবা তাঞ্জা লাক্লে ঃ ভুতিয়া



কোলকতা, জুলাই ০৫ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী মতম শাংনা কেপ্টেন ওইরম্লবা বৈচিং ভুতিয়ানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী ফুটবোলগী লমদা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা মখোয় মখোয়গী নাপল লৌথোক্লগা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী অচৌবা তাঞ্জা লাক্লে হায়খ্রে।

বৈচুং ভুতিয়াগী ৱাফম অদু ইন্দিয়াগী ওইনা দোমেষ্টিক ফুটবোল লিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা অরেপ্পা খোঙথাং অমা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী লৌখৎপা ঙমদ্রিবা অদুগী মতাংদা হায়খিবনি।

ইন্দিয়াদা হৌজিক লৈরিবা দোমেষ্টিক ফুটবোল লিগকী ওইনা আই এম জি রিলায়েন্সনা শৌগৎপা ইন্দিয়ান সুপর লিগানা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরগা মমাঙদা লিগ অসি মঙফাওনদ্রিঙৈগী মমাঙদা হিরো ইন্দিয়ান লিগ হায়না লৈরম্বা অদুনা অনীশুবা থাক্তা হন্থরকপা অদুগা মখা তাবা লিগ টুর্নামেন্টশিং অদুনা প্রামোসন অমসুং রেলিগেসনগী চপ চাবা কাংলোন অদু থমদবনা চয়েৎনবা কয়া লাক্কুনা আই লিগতা শান্নরিবা টিম ১০গী মীহুৎশিং য়াওনা এ আই এফ এফকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা খন্ন-নৈনখিবনি।

ফিফাগী কাংলোনগী মতুং ইন্না মকোক থোংবা লিগ অদুগী মমৈ তাবা টিম অদুনা হন্থরগা মখা তাবা লিগকী মকোক থোংবনা হায়গৎপগী কাংলোন অদু ইন্দিয়াদা চৎনবা লৈত্রি।

# অতুল অমসুং মণিপুরগী বোম্বেলা আর্চরি ৱর্ল্ড কপকী ব্রোঞ্জ মেদল প্লে ওফ য়ৌখ্রে



বর্লিন, জুলাই ০৫ (এজেন্সী)ঃ

জর্মনিগী সিটি বর্লিনদা পাঙথোক্লিবা আর্চরি ৱর্ল্ড কপ ষ্টেজ ৪গী মিক্স রিকর্বকী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী লাইশ্রম বোম্বেলা অমসুং অতুল বর্মনা ব্রোঞ্জ মেদল প্লে ওফকীদমক শেম শাখ্রে।

বর্লিনগী আর্চরি ৱর্ল্ড কপ ষ্টেজ ৪ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিদ্রবা মতুং রিকর্ব মিক্স টিমগী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবী মণিপুরগী হৌখিবা লাইশ্রম বেম্বেলা অমসুং অতুল বর্মনা সেমি ফাইনেল য়ৌরগা কোরিয়াগী মখুৎতা মায়থীহৌরবসু ইটালিগী টিমগা ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক লম্বা তৌনগদৌরি।

ৱর্ল্ড কপ অসিদা বেম্বেলা অমসুং অতুল বর্ম ৫ শুবা সিদেদ পেয়র ওইনা শরুক য়ারকপনি। সেমি ফাইনেলদা মখোয় সাউথ কোরিয়াগ মখুৎতা ২-৬তা মায়থীখিবদগী ব্রোঞ্জ মদেলগীদমক্তা ৬ শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা ইটাগী পেয়র অদুগা লম্বা তৌনগদৌরি।

বর্লিন আর্চরি ৱর্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অফবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিদ্রবা মতুং রিকর্বকী মিক্স টিমদা বেম্বেলা অমসুং অতুল বর্মনা থাংজ নুমিৎতা ইটালিগী টিমগা ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক লম্বা তৌনগদৌরি।

# ইন্দিয়াগী বোপনা, পেজ, রাজা অমসুং নেদুনসেজিয়ান দবলসকী অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে, দিবিজ সরনদি অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

লন্দন, জুলাই ০৫ (এজেন্সী)ঃ

চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিমবল্ডন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ১৩৩রকশুবা এদিসনগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী রোহন বোপনা, লিয়েন্দর পেজ, পি রাজা অমসুং জে নেদুনসেজিয়ান অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে। অদুবু অতোপ্পা ইন্দিয়াগী দবলসকী শান্নরোয় দিবিস সরন ৩শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।



ইন্দিয়াগী রোহন বোপনা অমসুং উরুগ্বেগী পি কিবাসনা পেয়র ওইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এম দেনিয়ল অমসুং নেদর্লেন্দসকী দল্লীয়ু কুলহোপকা লম্বা তৌনবদা ইন্দিয়া অমসুং উরুগ্বেগী পেয়র অদু ৪-৬, ৪-৬, ৬-৪, ৬-৭ (৭-৯)দা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র পি রাজা অমসুং জে নেদুনসেজিয়ান অহানবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী লেটন হেৱিট অমসুং জে থোমসনগী মখুৎতা ষ্ট্রেট সেট ৩দা ২-৬, ৩-৬, ২-৬তা মায়থীহৌখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেজনা ফ্রান্সকী বি পাইরেগা পেয়র ওইদুনা কজাকস্থানগী এম কুকুস্কিন অমসুং এ বুব্লিক্কা শান্নখিবা অকনবা লম্বাদা সেট ২-৩দা মায়থীহৌখি। অহানবা অমসুং অনীশুবা সেট ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সকী পেয়র অদুনা ৬-৪, ৭-৬ (৭-১)দা থোইদুনা লৈরিঙৈ মখা তাবা সেট৩ কজাকস্থানগী পেয়র অদুনা ৬-৩, ৭-৬ (৭-৪), ৯-৭দা থোইরম্বনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা দবলসকী শান্নরোয় দিবিস সরনন্না ব্রাজিলগী এম দেমোলিনয়রগা পেয়র ওইদুনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী পেয়র এস গাইল অমদি জে ভিলিজেনগা লম্বা তৌনবদা ৭-৬ (৭-১), ৫-৭, ৭-৬ (৮-৬), ৬-৪দা মায় পাক্তুনা ৩শুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ পেয়র ওইরিবা পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমদি ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোগা থেংনরগনি।

ব্রাজিল অমসুং পোলেন্দগী পেরয় অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ দি মিনোর অমসুং এম রিদপু ৬-৭ (১১-১৩), ৬-৪, ৬-৩, ৭-৬ (১২-১০)দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ৭শুবা সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা বেলারসকী ভিক্টোরিয়া অজারেঙ্কাবু ৬-৩, ৬-১দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মমাঙদা অর্জেন্টিনাগী গুইদো পেলা অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসনগা শান্নরকপদা সেট ৩-০দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভানা চাইনিজ টাইপৈগী সৈ সু ৱেন ৬-৩, ৬-১, ৬-৪দা থোইখি।

নুপীগী কাংলুপ অসিদা চাইনাগী ঝাং সুৱৈনা দেনমার্ককী কেরোলিনা ৱাজনাকিবু ৬-৪, ৬-২দা থোইরমখি।

অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলস মেচ অমদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ্না বেলারসকী অজারেঙ্কাবু ৬-৩, ৬-১দা থোইরমখি।

# ক্রোসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেগনা লমজিংলিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী প্রোব্রেবল ২৫ লাউথোকপদা মণিপুরদগী উদান্তা অমসুং অমর্জিৎ য়াওখ্রে





অহমদবাদ, জুলাই ০৫ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম কোচ ওইরিবা ক্রোসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেগনা থা অসিগী ৭তগী গুজরাটকী সিটি অহমদবাদতা লৈবা ই কে এ এরেনাদা শান্নগদৌরিবা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম শেম্লনবা শান্নরোয় ২৫গী মমিং লাউথোকপদা মণিপুরদগী উদান্তা অমসুং অমর্জিৎ য়াওখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চহীদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনদা চেম্পিয়ন ওইখিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমনা জুলাই ৭কী হৌদোকপা নুমিৎতা টাজিকিস্তানগা লম্বা তৌনগনি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা মপান লমগী টিমশিং অদুদি নোর্থ কোরিয়া অমসুং সিরিয়ানি।

হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী কাংলোনগী মতুং ইন্না শরুক য়ারিবা টিমশিংনা রাউন্দ রোবিন্দ লিগকী ফোর্মেটতা অমনা অমগা মেচ অমমম শান্নগনি। মদুদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টিম অনীনা ফাইনেল লেম্বা তৌগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী নৌনা কোচকী থৌদাং লৌখিবা মমাঙদা কোসিয়াগী ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারুরবা আইগোর ষ্টিমেগনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু ওইরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা শান্নরোয়শিং অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মুম্বাইদা চথরিবা ট্রেনিং কেম্প অদুদা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, গুজরাট ষ্টেটতা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী সেনিয়র ফুটবোল টিমনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা লম্বা তৌদুনা শান্নবা টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইবা হন্দক্কা অহানবা ওইরিবনি।

ইন্দিয়াগী কোচ ওইরিবা আইগোর ষ্টিমেগনা কুমজা ২০১৪দা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ক্রোসিয়া ক্বালিফাই ওইহনখিবা কোচ অমনি। মহাক্না ইন্দিয়াগী নুপাগী সেনিয়র ফুটবোল টিমগী কোচ ওইবগী থৌদাং নৌনা লৌরকপা অসিদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল অসিবু হান্না লৈরম্বা থাক্তগী অহেনবা মওংদা পুখৎনবা কন্না হোৎনরিবনি।

কোচ ষ্টিমেগনা মখা তারদুনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা মমাঙ থাগী ২৫দা পুন্না শান্নরোয় ৩৫ কৌখৎতুনা ইন্দিয়াগী টিম শেম্লনবা চথখিবা অদুগী মতুংদা ঙসি শান্নরোয় ১০ ককথরগা শান্নরোয় ২৫গী লিষ্ট অমা লাউথোরকপনি।

ষ্টিমেগনা ককথখিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মণিপুরি মচা সলাম রঞ্জন অমসুং জেকিচান্দ য়াওখি। মহাক্না শান্নরোয় ২৫গী লিষ্ট অমা থোকখিবা অদুদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোল কিপ্পরদা - গুরপ্রিট সিংহ সানধু, অর্মিন্দর সিংহ অমসুং কমলজিৎ সিংহ; দিফেন্দরদা প্রিতম কোতল, রাহুল ভেকি, সান্দেস জিন্দন, ইদিল খান, অনাস ইদাথোদিকা, নরেন্দ্র গেলোট, সুবাসিস বোস অমসুং জেরি লালরিনজ্বালা; মিদফিল্ডদা মণিপুরদগী উতান্তা অমসুং অমর্জিৎ, ব্রেন্দন ফনার্ন্দেস, অনিরুদ থাপা, প্রোনোই হলদর, রোলিন বোর্গিস, ভিনিট রাই, সাহল অব্দুল, মন্দর রাউ দেসাই অমসুং লালিয়ানজ্বালা শাংতে অদগা ফোর্ৱাদতা জোবি জষ্টিসন, সুনিল সেত্রি, ফরুক চৌধুরি অমসুং মনবীর সিংহনি।

# কনাদা ওপন বেদমিন্টন্দা ইন্দিয়াগী সৌরব বর্ম অমসুং পরুপলি কস্যপ ক্বার্টর চঙখ্রে





কালগেরি, জুলাই ০৫ (এজেন্সী)ঃ

কনাদাগী সিটি কালগেরিদা পাঙথোকপা য়োনেক্স কনাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সৌরব বর্ম অমসুং পরুপলি কস্যপ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

সৌরব বর্মনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দদা চাইনাগী সুন ফৈ জিয়াংগা লম্বা তৌনখিবা অদুদা গেম ৩ চঙনা শান্নরগা ২-১দা মায় পাকখ্রে। বর্মনা জিয়াংবু অহানবা গেম অদু ২১-১৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেমদা চাইনাগী শান্নরোয় জিয়াংনা ফজনা হেনখিবদগী ২১-১৫দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নরবা মতুং ৩শুবা অমসু দিসাইদিং গেম লম্বা তৌনরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বর্মনা লাকশিন্দুনা ২১-১৫দা থোইবা ঙমখিবদগী ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোয় লি সি ফেংগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় পরুপলি কস্যপনা ঙরাং শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দদা চাইনাগী রেন পেংবোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা গেম ৩ চঙনা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি। মহাক্না পেং বোবু ২৩-২১, ২১-২৩, ২১-১৯দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌননবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকী লুকাস ক্লবটকা লম্বা তৌনরগনি।